# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 23-08-2025)**

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ অমগী কাডর অমা য়াওনা মীওই মরি ফারে।

মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-রাজ্য অসিদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমদি অতৈ অরানবা তৌবা মীওইশিং ফানবগীদমক চংশিল্লকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাংসু কে.সি.পি (তাইবংঙানবা) গী কাডর অমা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদগী ফাখি। মহাক ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং লৈবা দুকানশিং অমদি মীয়ামদা নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শগোলমাং মমাং লৈকাইদগী মীওই অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ন্যু কৈথেলমানবী বজারদগী খুৎলায়গা কোন্ননা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎলে। মীওই অসিদগী কন্ত্রিমেট পিষ্টোল অমা, নাইন এম.এমগী মরু য়াওবা মেগজিন অমা ফংখি।

ককচিং জিলাগী পল্লেল থোং ৱাংমদগী মীওই অনি অমসু দ্রগকা কোন্ননা মনিপুর পুলিসনা ফাগৎখি। ফারবা মীওইশিং অসি তেংনৌপল জিলাগী মোরেদগীনি। মখোয়দগী সাপোন কেপ অহুমদা হাপ্তুনা পুরকপা হেরোইন পাউদর গ্রাম ৪৭ রোম ফংখি।

**লো (এল)ঃ** এন.দি. এন্দ পি.এস. এক্ট, সাইবর ক্রাইম অমসুং অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুমগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চথগদবা রাজ্য থাক্কী মীফম অমা ঙসি অয়ুক ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দ লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা হৌরগনি।

হায় কোর্ট ওফ মনিপুরনা মনিপুর ষ্টেট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতি অমসুং মনিপুর জ্‌দিসিএল একাডমীগা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা অখঙ

অহৈশিংনা এক্টশিং অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংগনি।

থৌরম অদু হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিস-জষ্টিস কে.সোমাসেখরনা হৌদোক্কনি।

**চান্দেল (এল) ঃ** নন-কম্যুনিকেবল দিজিজ সেল, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-চান্দেলনা শিনদুনা মালেমগী কেন্সর নুমিৎ পালন থৌরম ঙরাং চান্দেল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ বাই য়ুনিক হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: জোয়শন মেথিয়ু মোনশাং, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্ট-ডা: সরবুম সকচুং মোয়োন অমদি এম.পি.এন.সি.বি. চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার-ডা: দেবেন লাইশ্রম শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা আই.ই.সিগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবতা নত্তনা হেলথ কিয়ার ৱাকরশিংগী ওইবা ওরেল, সরভাইকেল অমদি ব্রেস কেন্সরগী মতাংদা ত্রেন্নিং অমসুং হায়রিবা লায়নাশিং অসিগী ওন স্পোট স্ক্রিনিং অমসু পাঙথোকখি।

পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা রেল্লি অমসু চৎখি।

**আর্মি (এল) ঃ** ভারত লান্মীনা শিনদুনা আর্মি ৱাইফস ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন ডে থৌরম ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা লৈবা কোইরেঙ্গৈদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখিবতা নত্তনা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী য়াইফ থৌরাং কয়া মতেং পাংখি অমদি লৈখিদ্রবা ভারত লান্মীগী ইমুং-মনুংশিংবু ইকায় খুমবা উৎখি।

**লম্বী (এল) ঃ** মনিপুরগী য়ামা মরুওইবা লম্বীশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা টিদিম

লম্বীগী শরুক অয়াম্বা পোর্টহোল কয়া লৈবনা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অদুক্কী মতিক থোক্লে। লম্বী অসিগী ইম্ফালদগী মালোম ফাওবদা লৈরিবা পোর্টহোলশিং মেনখ্রবসু মালোমদগী বিষ্ণুপুর ফাওবগী পোর্টহোলশিং অসি হৌজিক ফাওবা শেম্বীদনা লৈরিবা অসি অথুবা মতমদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চংবীনবা দিবলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন য়ুনাইটেদ ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসন-নম্বোলগা সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা আপিল তৌরক্লি।

**দ্রমা (এল) ঃ** অখোকা ঠিয়েটরগী ভিক্তর থৌদামনা দিরেক্সন পীবা ‘লৈইদগী চেকপল’ হায়বা প্লে অমা ঙরাং লম্বোইখোঙনাংখোংদা লৈবা জগোই মরুপতা উৎখ্রে।

প্লে অসি কলচরেল মন্ত্রালয়গী মিৎয়েং মখাদা ন্যু দিল্লিগী নেসনেল স্কুল ওফ দ্রমা অমদি অখোকা ঠিয়েটর অনিনা পুথোকপনি।

**বোসেম(এল) ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শওম্বুংদা লৈবা নমজোকলুং হায়স্কুলগী চহি অহুমগী রিকোগনেসন ককখ্রে।

বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুর (বোসেম) গী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-বোসেমগী রিকোগনেসন কমিতিগী মীফম অনিরক পাঙথোক্লবা মতুংদা হায়রিবা স্কুল অসিগী রিকোগনেসন ককপগী ৱারেপ অসি লৌরকপনি। একাডমীক সেসন-২০২৬-২৭ দগী ২০২৯-৩০ ফাওবা স্কুল অসিগী রিকোগনেসন ৱিদ্রো তৌরে হায়রি।

**স্কুল (এল)ঃ** রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ এদ্‌কেসন (এস) না শিনদুনা নুমিৎ তরুকনি চথুগদবা মুকা অমসুং থাং-তা ৱার্কশোপ কপ রেসিদেন্সিয়েল কোচিং কেম্প ঙসিদগী খুম্মন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স ইম্ফালদা হৌরগনি।

থৌরম অদুদা এদুকেসন (এস) কী দাইরেক্তর-এন.জি. ভোগেন্দ্র মীতৈ,

এদিসনেল দাইরেক্তর (ভেল্লি)-বিশেশ্বর খুমুকচম অমসুং এদিসনেল দাইরেক্তর (হিলস)-দাংমৈ মংলেম শরুক য়াগনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি জপানদা পাঙথোক্কদবা ১৫ শুবা ইন্দিয়া-জপান এন্যুয়েল সমিটতা শরুক য়াগনি। খোঙচৎ অসিনা প্রধান মন্ত্রিগী জপানদা চৎপা ৮ শুবা খোঙচৎনি।

থা অসিগী ২৯ দগী ৩০ ফাওবা চৎকদবা নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎ অসিদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা জপানগী প্রধান মন্ত্রিগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা খন্নগনি। মদুদা ঙাকশেল, সেক্যুরিতি, লল্লোন ইতিক, টেকোলোজি অমদি ইনোভেসনগী মতাংদা মরুওইনা খন্নগনি। প্রধান মন্ত্রিগী জপানগী খোঙচৎ অসিগী মতুংদা থা অসিগী ৩১ দগী সেপ্তেম্বর অমা ফাওবা চাইনাদা চৎতুনা সংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন সমিটতা শরুক য়াগনি। লৈবাক অদুগী টিয়ানজিনদা পাঙথোক্কদবা মীফম অদুদা শরুক য়াবা লাকপা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংগা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা উন্নরবা য়াই হায়রি।

নীংশিংবা য়াবদি, সংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসনদা ভারতনা মীহুৎ ওইরকখিবা অসি ইং ২০১৭ তগীনি।

**ফুটবোল ঃ** ভুটানগী কোনুং নেপালদা চথুরিবা চহি ১৭ মখাগী নুপীগী সাফ ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী মেটচ অমদা ঙরাং ভারতনা মমাংগী চেম্পিয়ন বঙ্গলাদেসপু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। থা অসিগী ২০ দগী চথুরকখিবা চেম্পিয়নসিপ অসিগী অহৌবা নুমিৎতা ভারতনা নেপালবু পাঞ্জল ৭-০ দা থোইখিবনি। ভারতকী মথংগী মেটচ নোংমাইজিং নুমিৎতা ভুটানগা শান্নগনি। টিম মরিনা শরুক য়ারিবা চেম্পিয়নসিপ অসি দবল রাউন্দ রোবিন লিগ ফোরমেটতা শান্নবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

প্রাইম মিনিস্তর নরেন্দ্র মোদি লাক্কনি হায়না নিংফুং নিংফুং ঙাংনরি। পোপুলর গভরমেন্টসু ওক্তোবর থাখায়দা শেল্লবা য়ারি হায়বা পাউ অসি পোক ফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-বেঙ্গলুরুগী ওভর ব্রিজ অমদি ফল্লাংশিংদা জোগম হায়বা ৱাহে য়াওবা গ্রাফিটি য়েকশিল্লম্বগী মতাংদা পুলিসকী ইনক্কারি হৌখ্রে হায়বা পাউ অসি অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-কংগ্রেস লৈঙাক হল্লকপা হল্লক্তবা হায়বসি মীয়ামনা লেপকদবনি, বি.জে.পি. খুজোক অমনা লেপকদবা নত্তে হায়বা ওক্রম ইবোবীগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

বাইওমেত্রিক লৌদুনা ভেরিফিকেসন তৌরকপা অফবা খোঙথাংনি হায়বা এন.বিরেনগী ৱাফম সনা লৈবাক্কী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-নোর্থ ইষ্টতা মীতোপ চংশিল্লক্লিবা অসি মখোয়গী শাফগদবা পুন্সি মরেল অমা য়েংবা লাকপা নত্তে। ইন্দিয়াবু অনি থোকা থুগায়নবগী ষ্ট্রেটেজিক ওইবা খোঙথাং অমনি হায়বা তামিল নাদুগী গভনর-আর.এন. রবিগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা-ক্লাইমেট চেঞ্জ এদাপটেসনগী মতাংদা বিষ্ণুপুরদা ৱার্কশোপ পাঙথোকখিবগী পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরগী গভনর-অজয় কুমার ভালা, নাগালেন্দগী গভনর ওইনসু থা অসিগী ২৫ দা ৱাশক লৌরগনি হায়বা পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলে।

কুকিশিংনা য়েলহৌ ফুরুপ খরবু মখোয়গী কাংলুপ্তা চিংশিন্নবা হোৎনরি হায়বা ফেদরেসন ওফ হাউমীগী ৱাফম পিপলস ক্রোনিকলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরে।

গানফিয়ু মেলদা-মনিপুর গভনরনা সি.এম.আই.এস.ইমপ্লোয়ি কোনর এপ অমদি দি.এম.আই.এস. ৱেব সাইট লোঞ্চ তৌখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-রিশাং কৈশিংগী ৯ শুবা লৈখিদবগী চহিগী কুমওন ঙরাং কংগ্রেস ভবনদা মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা পাঙথোকখ্রে হায়বসি অহানবা হেদলাইন তৌরে।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-সেন্টরনা সসপেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) গী রিন্যুয়েল অথুবদা লাউথোক্লবা য়ানা লৈরে হায়বা অসি অনিশুবা হেদলাইন তৌরে। পাউচে অসিদা মনিপুর ভাইওলেন্স অসি হান্ননা প্লান তৌরবা থৌরাং অমনি হায়বা পি.য়ু.সি.এলগী রিপোর্টকী মতাংদা পাউ অমসু ফোংলি।